**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 14-05-2025)**

**পুলিস (এল)ঃ** খুৎলায় অমদি দ্রগ লল্লোনবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপশিংগী মীওই ১৫ সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে।

পুলিসকী পাউনা হায়-ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী পুখাউ এরিয়াদা আইন কায়না নোংমৈ লল্লোনবনি হায়বা য়.এন.এল.এফ. (পি) গী মীওই অমা য়াওনা মীওই অহুম সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং পুখাউ অহল্লুপ মখা লৈকাই ৱেটিং সেদ মনাক্তগী ফাখি। মখোয়দগী মেগজিনগা কোন্নবা ইনসাচ রাইফল অমা, সভেন পোইন্ট সিক্স টু এম.এম. রাইফলগী মরু ৮, মোবাইল ফোননচিংবা ফাখি।

অমরোমদা, সেক্যুরিতিগী অপুনবা কাংবু অমনা থিবা হুম্বগী থবক চখবদা থৌবাল জিলাগী ৱাংবল সোরোজিনি ওইল পম্প মনাক্তগী কে.সি.পি. (পি.ডব্লিয়ু.জি) গী এক্তিব কাডরনি হায়বা মীওই অমা ঙরাং ফারে। মীওই অসি থৌবাল জিলাদা লৈবা তোঙান তোঙানবা চেক্কোন, সো মিল, বেঙ্ক, লায়েংশঙ, ওইল পম্পনচিংবশিংদগী নম হাদুনা শেল খায়বা অমদি মী ফাবনচিংবা আইন কায়বা থবকশিং চেন্নৈ হায়রি। মঙোন্দগী হেন্দ গ্রেনেদ অমা, মোবাইল ফোন অমা, চাকা অনি পানবা গাড়ি অমা ফাগৎলে।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী নম হাদুনা শেল খায়বদা চেন্নবনি হায়বা কে.সি.পি. (এম.এফ.এল) গী কেদরনি হায়বা মীওই অমসু বিষ্ণুপুর জিলাগী নিংথৌখোং ৱার্ড নম্বর থ্রিদগী ফাগৎলে।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী কোইরেঙ্গৈ কবুই খুল গেট মনাক্তগী প্রিপাক্কী কাদরনি হায়বা মীওই অনি ঙরাং ফারে। মখোয়দগী মোবাইল ফোন অনি ফংলে।

সেক্যুরিতি পোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা ঙরাং তেংনৌপল জিলাগী য়োংখুল ভিলেজ মনাক্তগী পি.এল.এগী কাদর মরি, কে.সি.পিগী অনি, কে.ৱাই.কে.এলগী অমা ফারে হায়রি।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা থৌবাল জিলাগী লিলোং হাউরৈবা তুরেল অহনবী কালৈখোঙদগী দ্রগ লল্লোনবনি নুপী অমা মহাক্কী ময়ুমদগী ফারে। মঙোন দগী কোদিন ফোরসফেদ অমদি ত্রাইলেদিন সিরফ বোটল ৫১ ফংলে।

চুরাচান্দপুর জিলাগী বালবেংদগী মীওই অমসু সাপোম কেপ ১০০ দা হাপ্লন্বা ব্রাউন্দ সুগর কিলোগ্রাম অমা গ্রাম ২৬৭ ফাগৎখি হায়রি।

**এনআইএ(এল)ঃ** মমাং চহিগী নবেম্বর থাদা জিরিবাম জিলাগী জাইরোল ভিলেজতা নুপী অমা হাৎখিবা অমদি যুম মৈ থারম্বগী থৌদোক্তা চেন্নবনি হায়বা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপ অনিগী মীওই অনি নেসনেল ইনভেষ্টিগেটিব এজেন্সি (এন.আই.এ) না ফারে।

এন.আই.এগী চেরোল অমনা হায়-ফারবা মীওই অনি অদু বিষ্ণুপুর অমসুং থৌবাল জিলাদগীনি। ফারবা মীওই অনি অসি কেস অসিগা মরী লৈননা থা অসিগী ১৭ ফাওবা এন.আই.এগী কষ্টদিদা থমখিগনি হায়রি।

অমরোমদা, এন.আই.এনা রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ইরাং অসিদা চেন্নবনি হায়বা কে.সি.পি. (পি.ডবিয়ু.জি) গী মীওই অমসু ফারে হায়রি। ফারবা মীওই অসি থৌবাল জিলাগী থৌবাল পাখংখোঙ লৈরক্তগীনি হায়রি। ফারবা মীওই অনি ২০২৩ গী নবেম্বর থাদা মী ফাবা অমদি হাৎপদা চেন্নবা মীওইনি হায়রি। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা কেস অমা এন.আই.এনা ২০২৪ গী ফেব্রুৱারী থাদা লৌখৎখি অমসুং থিগৎপগী থবক চথকপনি।

**জষ্টিসঃ** জষ্টিস-ভুষন রাম কৃষ্ণনা গভাই ভারতকী ৫২ শুবা চীফ জষ্টিস ওইরগনি।

রাস্ত্রপতি ভবনদা পাঙথোকপা অখন্নবা থৌরম অমদা রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা শ্রী ভাইবু ভারতকী চীফ জষ্টিসন ওইনা ৱাশক লৌগনি। চীফ জষ্টিস-সঞ্জিব খানাগী মতম ঙরাং লোয়খিবদগী শ্রী গভাইনা ভারতকী চীফ জষ্টিসকী ফম

পায়রগনি।

**পাকিস্তানঃ** ন্যু দিল্লিদা লৈবা পাকিস্তান হায় কম্মিসনগী ওফিসিএল অমা পুং ২৪ গী মনুংদা ভারত থাদোকবা খঙহনখ্রে।

মপান থৌরম মন্ত্রালয়না থোকপা চেরোল অমনা হায়-মীওই অসিনা মহাক্কী ওফিসকী ঙকা চৎন-কাঙলোনগী ৱাংমদা লৈবাক অসিগী মায়োক্তা থবক তৌরম্বগীদমক লৈবাক অসি থাদোক্কুনা চৎখিনবা খঙহনখিবনি। পাকিস্তান হায় কম্মিসনদা মখা তাবা থবকশিং লৌখৎনবা ভারতনা খঙহনখ্রে।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা সভাপতি ওইদুনা লৈবাক অসিদা নেসনেল টি.বি. ইলিমিনেসন প্রোগ্রাম মায় পাকা পাঙথোকবগী মতাংদা মীফম অমা ঙরাং ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখ্রে।

হৌখিবা চহিদা লৈবাক অসিদা টি.বি. লায়না মতম চানা খঙদোকপা অমদি লায়েংবগী মতাংদা খুমাং চাউশিন্না থবক চংশিনখিবা অদুবু থাগৎলদুনা প্রধান মন্ত্রিনা লৈবাক অসিদা টি.বি. লায়না মপুং ফানা মুথৎপা ঙমনবা মখা তানা অকনবা থবক লৌখৎপগী তঙাইফদবা ৱাফমশিং থমখি। মীফমদুদা প্রধান মন্ত্রিনা হন্দক্তা লোয়শিনখিবা নুমিৎ ১০০ নিগী টি.বি. মুক্তা ভারত অভিয়ানগী থবকশিংসু নৌহৌননা য়েংশিনখি।

মীফম অদুদা সহর অমদি খুঙ্গংশিংদা লৈরিবা টি.বিনা নারবা মীওইশিংগী চাং মখোয় মখোয়গী শিনফমগী মতুং ইন্না নিংথিনা নৈনবগী তঙাইফদবা ৱাফমশিং প্রধান মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

**মাওইষ্টঃ** ছাতিসগরদা নুপী মঙা য়াওনা মাওইষ্টকী মীওই ১৪ সরকারদা চংজলকখ্রে।

চংজরকখ্রবা মাওইষ্টশিং অসিগী মনুংদা মীওই ৮ গী মথক্তা সরকারনা লুপা

লাখ ১৬ কী মনা লাউথোক্তুনা লৈখ্রবনি। সরকারনা ঙসি চংরকখ্রবা মাওইষ্টশিং অসিদা লুপা লিশিং ৫০-৫০ গী শেন্থুং অমদি মখোয়বু মহৌশাগী পুন্সিদা হনজিলহনবদা মতেং পাংলগনি হায়রি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

লৈখিদ্রবা বি.এস.এফকী জৱান-দিপককী মফমদা রাজ্য থাক্কী ইকায় খুমবা উৎখ্রে, মনিপুরদা এন.ই.পি. ২০২০ মপুং ফানা চৎনহন্নবা মহৈরোইশিংনা খোঙজং চংশিনখ্রে হায়বা পাউশিংনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

নহারোলগী থৌদাংদা লৈখিদ্রবা কন্সটেবল দিপকতা ষ্টেটকী থাক্তা ইকায় খুমবা উৎখ্রে, লৈহৌরিবা ইমুং মনুংগীদমক বি.এস.এফনা মতম চুপ্পদা লেপ্পগা লোয়ননা মনাওনুপাদা থবক হাপকনি হায়না বি.এস.এফকী আই.জিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসি সনা লৈবাক্তনা-গভনরনা বি.এস.এফ. দিপককী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাংদা ইকায় খুমবা উৎখ্রে। লৈখিদ্রবা দিপককী ইমুং মনুংদা লাখ ১০ গী এক্স-গ্রেসিয়া পীরগনি লাউথোকখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেসকী এদিসন অনিমক, পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল, হুইয়েন লানপাউ, মনিপুর মেলনচিংবা পাউচে অয়াম্বদা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা-এক্সিদেন্টতা শোক্লবশিংগী কেসলেস ত্রিটমেন্ট স্কিম থবক্তা ওন্থোকউ-সুপ্রিম কোর্ট হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মীতৈশিং শিরুই ফেষ্টিবেল য়েংবা চৎপদা কুকি জোগী খুল ফাওদুনা চৎপা

য়ারোই, ফেষ্টিবেল হৌদ্রিঙৈদা মী লাকপা হৌনরে হায়বা পাউনা পোকফমদা অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা-এন.ই.পি. ২০২০ দেসামনা মরম চাবা দিমান্দ তা দুনা খোঙজং চংশিল্লকপদা পুলিসকা মুকখ্রে হায়বা পাউ অমা পাউচে অসিগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

পিপলস ক্রোনিকলদা-কঞ্জুপসন এক্সপেন্দিচর সর্ভেদা মনিপুর শোত্থনা লৈরি হায়বা পাড, পাউ চে অসিগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

চুরাচান্দপুরদা লুপা কোতি ১১ রোমগী মমল ওইগদবা হেরোইন ফারে হায়বা পাউ অমা সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

য়ুনিসেফকী কাংবু অমনা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লা উন্নখ্রে হায়বা পাউ অমা মনিপুর মেলগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

গানফিয়ু মেলদা-লৈখিদ্রবা বি.এস.এফকী জৱান-দিপকী অপোকপনা মচানুপানা জাতি অসিগীদমক কৎথোকখিবা অসি চাউথোকপা ফাওই হায়না ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা-সি.বি.এস.ইনা লৌবা ক্লাস টেন অমসুং ক্লাস টুয়েল্বকী পরিক্ষাগী ফল লাউথোকখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

লৈবাক অসিদা ইনফে মোটেলিতি রেট খ্বাইদগী নেম্বদা মনিপুর, মিজোরাম অমসুং সিক্কিম য়াওরে হায়বা পাউ হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।